"তাইবঙ মীগী চিন্থোকপু কনানা হুকপা ঙমগনি। চাক মরূ অমতংনা চেঙকোক অমা মাঙহনবসু লৈ।"

-হিজম গুণ (তোনু লাইজিংলেম্বী)

# শৈরেং

## কল্লসি পোপিগী ঈজৎ

**—আর কে বুধিমন্ত কার্টা**

শিঙেল লৈরাং পোপি ও,
ৰাথোক চাওবী লৈরাংনি!
লৈরাং নঙবু পাক্তক্লনা থানবা
চীংলোন কয়া তেমখায়বীরে: হৌরম্বা উপাল কয়াবু
থাদোকপীরে হিংনা হিংনা;
চেংলৌ মায়থোংদি নীংথিবী
কনানবু থারিবা কনানবু লৈরিবা।
থোৎলবা লৈনানা কেনখিবদা ওইহৌই
মবুক কংলবা মহৈ,
মহৈদুদা খেৎপদগী
থোক্লকপা খোমলাংদুগীনি থানরিবা,
হাদা শিঙেল পোপি ও।
মহৌশা কৌবী লাইরেম্বীনা
শেমখিবদা শোয়খিবনি হায়দৌরিরা।
মহৌশা কৌবী লাইরেম্বী
নঙগীসু নরাল অমা লৈ !
ঙসিদি ওইহল্লে পোপি শিঙেল নহাক্না
মীওই কয়াগী পুন্সিবু
লমখাংদা পিখম্নহনবীবা,
অদুবু ওইহনবীরি লমখাংদা
শেঞ্জাও পায়বা কয়াসু!
মালেমদা ফিদা কল্লিবা
হো ইমা নুংশিবী।
নঙগী চেঙলৌ শক্তম উরুবদা
থোনবীরম্মী ইমা নঙবু
নীংথিরবী স্বিটজরলেন্দগা পাঙ্খকনি
হায়রদুনা "স্বিটজরলেন্দ ওফ ইষ্ট"
শোন্নখি ইমা নঙগী মীংলেনবু "পেরদাইস ওন অর্থ"।
ইমা নঙগী নতম্বাক্তা শোক্লখিবা
মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী অকি অখং তুংওইনরগা
ঙাওজখিদো অঙৌবা সিফাই কয়ানা
থোনবীরম্মী মখোয়না
"এ ফ্লৱর ওন দি লোফটি হৈইটস"
"অৰাংবা চীংদা শাৎচবী লৈরাং"
শোন্নখি লমদম অসিবু।
কোরৌহনবগা ইহান হান্না থেংনবা জাতি জপাননা
'তাকা নেনো হানা'
হায়বীরম্মী লমদমসিবু উবদা
নেহরুনা হায়বীখি 'এ জ্বেল ওফ ইন্দিয়া'
শোন্নখিবা পুম্নমকপু,
পোপি কৌবী শিঙেল লৈরাং নহাক্না পুম্নমকপু মাঙহল্লগে খল্লব্রা!
নত্তে নঙগী নরাল নত্তে,
কেনা নৌনা লৈশাৎ তমজবা
নঙবু ফত্তবরোমদা পুশিনবীদুনা
নঙগী ঈজৎ মাঙহনবীরিবা হে নখোয়।
নখোয়গী নথক্তা লাউথোকপা তাবনি লান
কনানবু ঙমগদগে য়েংদুনা
লৈবা মতমদুদি নৎত্রেকো
কল্লসি ইমাগী শক্তম
থেংমল্লে ঐখোয় ইমাবু কনবা !!!

## ইমাগী থম্বালনু

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

ইমাগী ইবেন্মা থম্বালনু
ইমাগী ইবেন্মা থম্বালনু
ইমোম লাংলেন থোইবী-ও
ইশানৌ কৌগেনে পান্মুবী,
ইমা লাক্লে, ইমা লাক্লে
ইমানা কৌরিবসে তাদ্রবরা?
লমদম কৈদা লৈবগেনে
অমুক্তদি খুল্লকউগবা ইমাদা;
কোরৌ নারল ৰায়রক্লে
নুমিৎ চীংয়া থাংলক্লে
মহুমদা পোন্বী পাইশিন্নরক্লে
হলৰাইরক্তুবদি কৈদৌরবগে নরানয়াইদা?
শয়েং পান্থোম্নগা চোংবনে
খোল্লেন মঙনগা নুংঙাইতবনে
করিবু তল্লিবগবা নোংদম্বনা
উনবী পূক্নিংসে লৈতাদরেদো;
তারিবা পাউসিবু চুল্লবরনে?
ঐবু মঙলানলা তাইবঙলা
অমং থরৈ কুমদুনা
খম্নুং শৰা তানখ্রবকো!
শজিক মতুং ইন্দুনা
থবা মমৈ ৰাইখ্রবকো!
মাঙজরেদো ইমাদি মাঙজরে
লোইরেদকো হন্দক মপোকসিমগীদি;
চৎলোকে ইমাগী থম্বালনু
পোইনুথা মানা নতা শা
থেমদুনা পুবীখ্রমাল্লে ইচাবু,
কুমগী ঈশিং ঈনৌ তারকপদা
লাইজ ঈপাক ঈয়াইথক্তা
লৈরাং থম্বাল চান্মনিপাল
ওইনা লৈশাৎ তল্লকউকো
ইমানা পেন্না য়েংজগেকো।

## লোংসাই থৌদোক

**— পুয়াম অচৌ**

তম্বা ঙমদবা মীওইপোক
অশিবনা পুদুনা চৎলিবা মীওইপোক
কনাদবু তাইনরুনি কনাদবু ৰাকৎলুনি
পেন্দি পেন্দে তাইবঙ মপু মাগী লীলা
লোংসাই পার্ট - ৩ তুবুন খুলেনগী থৌদোক
দিসেম্বর ২১, ২০২২ য়ূমশকৈশা
হরাও হরাও নোক্না নোক্না
মহৌশা খৌপুম খুলগী ফজবা
লোংমাই পার্ট-৪ অপিনজাং খুল
লৈমতাক তুরেলগী মথক্তা শাবা থোং
ওইহনখি বৈতরনি থোং
থিঙেল থিংবদা,
থম্বালনুগী পুন্সি পিখম্নখি
নৌজরিবী লৈশাৎ মথোৎ কারক্লিবী লৈরাং
লৈশাৎ মপূং ফাদনা কেঞ্জখি
লোংসাই খুল তুবুং লমলেন্দা।
পলেম পন্থৌনা মচাবু হল্লকপা ঙাইজরি
লাক্লরোই অমুক হন্না পলেম পন্থৌগী শঙ্গাইদা,
"তাররোই মমোম ওইবী কয়াগী খোঞ্জেল
হায়ররোই তরেৎ শেঞ্জা পীয়ু
হায়ররোই ঙামোক লৈবীয়ু"
মসিরা পাল্লিবা? তাইবঙ মপু
কাউবা ঙল্লোই লোংসাই থৌদোক
দিসেম্বর ২১, ২০২২ য়ূমশকৈশা
হিংচা য়াইতম্বগী শক্লোন লৌ
ঙাইরম্লা লোংসাই খুলগী হিংচাবী
নমু তাইবঙ মীওইবগী
ঈখেং অসুক পাল্লিবা
লোংসাই খুলগী হিংচাবী
নবুক পেন্না পেন্না থক্লো
অঙাংবা লৈরাংগী ঈ
পলেম পন্থৌ শমান্নবী কয়াগী
মীৎলুগী পিরাংদি তাবা ওইয়ু
নঙসু লোংসাই হিংচাবী।
চৎলোকো নুংশিরবী মমোমলোই
চৎলোকো নুংশিরবা সমাজগী লমজিং মৈরা
লৈরুরো তাইবঙ মপুগী লৈকোন্দা
ঈংনা চিক্না লাইওইখ্রবা ইমোমশিং
খুন্নাইগী লমজিং মৈরা
কাউবদি ঙল্লোই দিসেম্বর ২১, ২০২২
লোংসাই খুলগী থৌদোক।

## তাইবঙ শিন্থা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

ঐ মফম অসিদা
মতম খরগী ওইরল্লে,
মতম চূপ্পগী
লৈগনি খল্লুবা,
অরানবা ঐগী
ৰাখল ওইরল্লে।
ঙসিগী মালেম
মখল মথেলগী
ফজবতনা থল্লবা
নোংমদি থাদোক্তুনা
চৎখিগনি ঐ।
অদুবু খঙহন্দে
তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়বু
নোংম-নোংমগী
পুন্সি শিন্থানা পুনখিদুনা।
ইপা ইপুনা শেম্বী শাবীরম্বা
খুদিংমক নোংমদি
মাঙখিগনি মতমনা পুরক্তুনা
চেকশিন্না থমহৌদ্রবদি
মাঙখিগনি উনা উনা।

## মসিদা ঙাইহৌরে

**—ডা. নির্মলা রাজকুমারী**

কায়খ্রে চেঙহি চফুসু
মনম নুংশি নুংশিবা
হাপ্তুনা মনা মশিং
থম্নরম্বদো ফুৎতুনা য়ূমথোঙ খুদিং
নিরম্মী অমনা অমদগী চেঙহিসু
মুৎখ্রে ফুঙ্গা লাইরুসু
লৈখিদ্রে ফৌসুখোং
উখিদ্রে চক্রি শুক শুম্বল
উদ্রে হৌজিক্কী অঙাংনা
মমিদা উবা নত্তনা
ৰারীতা ঙাইহৌরে ঙসিদি।
ইপুবোক ইবেনবোক্কী চাকঙাই ৰারী
ওইখিবনি ফুঙ্গা ৰারী।
ওল্লক্লে ঙসিদি
ঙসিগী অঙাংনা ঙাওরি মোবাইল ফোন্দা
অহাঙবা অমা লৈরক্লি
অঙাংগা অহলগা
নাইতোম তানরক্লি
অসুম অসুম।
খেন্নরক্লি পুন্সি মরেলসু।

## য়ু শের মঙা-তরা

**—এম নিলকুমারি**

মৈরিদুগী মৈখুনি
তারমদাই নুমিৎকী ঞ্রুঙান্নবা
মশেক মঙাল্লক্তা পাইখৎলিবা
থাকলনা মথক্তা লৈতেংলি।
উরু উরু লৈনা লৈনা পাইরি অহাঙবদা
পাইগদবনি মৈরিগী মৈখুসু
লোনা/আইন্না য়াখ্রবা পার্মিট ফংখ্রবা
মহাক অদুগী কুয়োমগী মৈখুনি
থকচিল্লি মবুক পেন্না
লাও খোংই কন্না কন্না
লম্বী লমশাং মহাক্কীনি।
অরোনবদগী অফোংবা ওইরক্লবা
ঙাওম্না লৈকায়দুগী, মমিং লৈরবা পাঙ্গলবনি।
লায়না হোংনা ফংলবা য়ুগী দুকান থোঙ থিল্লুই
নোমফেৎ-নোমফেৎ লৈরোল লৈফাই
শোন্থাংননা শোল্লি, ঐগী অরোইবা মতমনা লাক্লবদা।
য়ু শের তরাদংদি খাল্লমদবা য়ারোই
য়ু শের তরাদং থল্লমদ্রবদি কনাসু থোক্লক্লোই;
ঙক্তা খুদৈ য়েত্তুনা
মতিন কুৎ কুৎ য়োৎতুনা থোক্লরক্কনি।
নৎত্রবদি :- চীংয়াদা, লম্মাংদা, উরক্তা-ৰারক্তা
হুন্দোক্তুনা লংথোক্তুনা থল্লমগনি শোয়দনা।
ঙাঙনা ঙাঙনা শিখি
য়ু শের তরাদুদং থকচরগা শিজরবদি
থৰায় অসি পেঞ্জগদবনি।
পাম্মু পাম্মুনা মথৌ মঙমগীদমক
য়ু শের তরা দোখোন তৌরমই
অরোইবা পুংজাগী অরোইবা মীকুপকী।

## মতম মতমগী ৰাখল

# মোইরাং জাতিগী মোইরাংশাই ঈশৈ



THOINU JATI INAKHUNBI

মণিপুরদা মোইরাংশাই ঈশৈ হায়বসি নৈনরকপদা ঐখোয়গী চিন অসিদা ইমা মোইরাং জাতি পন্দবা ঙমদে। মোইরাং জাতি হায়বসি পল্লকপদা অমুক মোইরাংশাই হায়বসি নীংশিংদবা য়াদে। অনী অসি পুংবা ওইখ্রে, হৈরাং লৈরাংদা শোন্নবগুম চূশিনখ্রবা খাইদোক্লবা য়াদ্রবা পোনবী-লাংনি, থৰায়গা হকচাংগনি খাইদোকপা য়ারোইদবা অমনি। লমদমসিদা মোইরাংশাই ঈশৈ হায়বসি কয়াম কুইরবা ঈশৈ শৈশকনো ? শৈশক অসি কনানা হৌদোকখিবনো হায়বা ৰাহং অসিনি ময়াম্না হেক হেক হংনরিবসি। পাউখুম মান্নদবা খরা তাজখি। অহানবদা,মোইরাংশাই ঈশৈ হায়না খঙনরিবসি মোইরাং শাইওনগী মোইরাং কংলৈরোলগী ৰারী পরিং ঈশৈ শকপবু খঙনৈ। অনীশুবদা, কনাগুম্বনা মনোহরশাই ঈশৈগী মওং লৌদুনা শাই হায়বসিদগী মোইরাং শাই হায়না শীজিন্নবনি অসিনচিংবা ৰাফমশিং অসি হায়নবসু লৈখি।

মনোহরশাই ঈশৈ হায়বসি করিনো খঙমিন্নবা অমা চংই। মনোহরশাই ঈশৈ অসি লমদম অসিদা য়াম্না শক্লরম্বা মতম অমসু লৈখি। মনোহরশাই হায়রিবসি নোংচুপ বেঙ্গলদগী লাকখিবা কির্ত্তণ ঈশৈনি । মসিবু শক্তাকলকখিবা মীওইশিং অসি গ্যানাদাশ, রাঘুনন্দন অমদি ন্রিশিমহা মিত্র ঠাকুর, বরধৰান (বরধমন) ডিষ্ট্রিক মনোহরসাই খুঙ্গংদগী হায়রিবা মীওইশিং অসিনা কির্ত্তণ ঈশৈ শক্তুনা লমদমসিদা শাফোংলকখি। শৈশক অসি খেয়াল (খয়াল)গী শৈশকলোমদা খর নকশিনবা, বিলমবিত তালগী মচৎ লোইনরপ য়াওবা শৈশক্লি। ঈশৈ শৈশক অসিদা চাউরাক্না তাল মখল ৫৮ লোম শীজিন্নে হায়না ঈশৈগী ওজাশিংনা তাকপী। মণিপুরদা হিন্দু লাইনীং চৎচবশিংনা মনোরশাই ঈশৈ অসি কির্ত্তণ ঈশৈ অমা ওইনা কন্না শক্লরম্মী । খ্বাই নগামপালদা লৈবীরম্বা ওঝা ঙাঙোম যুগিন্দ্রো শৈশক অসিদা লৈপাক্না খঙনখি। মতুং তারকপদা ওঝা ঙাঙোম যুগিন্দ্রোগী তুংইনবা শিষ্যা ওইনা ওজা ভাগেন্দ্র উরিপোক্তা লৈবীবা অসিসু শৈশক অসিদা লৈপাক্না খঙনখিবা অমনি। ঈশৈ মখল অসি নট সংকির্ত্তণ শৈশক্না মান্নদে খরা হাইদোক হাইজিন তৌই । শৈশক অসি তাবদা থোৎলি,নুংশিবা ফাওই। মনোহরশাই ঈশৈ অসিখক্তা শকচবা ঈশৈ কাঙলুপ লৈ । ওজা গুরুময়ূম ভাগেন্দ্রানা লীংখৎচবা মনোহরশাই সভা ঈশৈ কাঙলুপ উরিপোক্তা লৈরি। অতে মফম খরদসু লৈনরি। হায়রিবা শৈশক অসি পুমমুৎ মুৎখিদ্রি হিংলি । হায়রিবা ঈশৈ শৈশক অসিগা মোইরাংশাই ঈশৈগা করিগুম্বা মওং মখল অমত্তদদি মান্নবা লৈতে ।

চৎলিবা ডিসেম্বর থা অসিগী তাং ২৩ অমদি ২৪, ২০২২ অসিদা মোইরাং থাংজিং য়াগৈরেল মরুপ, মোইরাং কলেজ, কুম্বী কলেজ অমদি খম্বা থোইবী ডান্স একাদেমী, মোইরাংনা শীন্দুনা পাংথোকপা নোংমগী ওইবা সেমিনার ফেষ্টিভেল ওফ মোইরাং শাই-২০২২, মোইরাংগী আই এন এ হোলদা পাংথোকখ্রে । থৌরম অদুদা মোইরাংশাইগী মরমদা অখঙ-অহৈ ওজা কয়ানা তোঙান তোঙানবা হীরমদা মোইরাংশাইগা মরী লৈননা চে পাথোক্তুনা খন্ন-নৈনখি । মোইরাংশাই হায়বসি ফিলেম নিংঙোল নিংথেমচা ওংবী জাতি, ময়াম্না মোইরাং জাতি হায়রগা খঙনবা অসিনা শকপা হৌখিবদগী মীয়াম্না খঙনখিবনি হায়বসি সেমিনার অদুদা চে পাথোকপীখিবা খুদিংমক্না অমত্তা ওইনা ঙাঙনখি। হৌজিক ৰারেপ অমা ওইনা মখা তানা কনাগুম্বা অমত্তনা মোইরাংশাই ঈশৈবু মনোহারশাই ঈশৈগা মান্নে, মসিদগী থংথখিবনি হায়বসি হায়বা য়াররোই। ৰারেপ লৌখ্রে ।

মণিপুরদা শক্লরিবা ঈশৈ অসি ঙল্লিঙৈদা মখল য়ামলমদে। উমংলাই হরাউবদা শক্লরিবা ঈশৈ অমদি পেনাদা শক্লরিবা ঈশৈ অসিনা লমদম অসিগী মরুওইবা ঈশৈ ওইনা লাকই। ঐখোয়গী অশেংবা ঈশৈগী হৌরকফম হায়রগদি অনীসি ওইগনি। পেনা ঈশৈদগী শৈশক কয়া শেমখি হায়বসিমদি পেনাগী অশৈবশিং,অহল-লমন ওজাশিংনা তাকপীরম্মী। লমদম অসিগী মীওইশিং য়েক-সল্লাই লৈরকপা, শিনফম য়াম্বা, মহৌশাগী ওইবা চীং-পাৎ, তুরেল, হৈ-লৈ, শা-ঙা, উমং- ৰামং হায়বসিগা শাগোন্নরকপা, মখোয়গা নক্নদুনা লাকপা অমদি শা-লান, অকল-অথৌ লৈরকপা মখোয়গী চাদা-নাওদা ওইবনা, অথোৎপদগীনা অকনবা ফাওবগী জগোয় ঈশৈ লৈরকখি। লৈশেম-নোংশেমলকপা,খুন্থোক খুন্দারকপগী,লাই-তিনগী, নুংশি নুংওলগী, নোঙ্গুমলোন,নোঙ্গালোনগী ঈশৈ ৰারী, চীনবুং ৰারী ওইনা মীরোল কয়াদগী লীনদুনা অমদি পেনাগী ফমশক ইশৈ ওইনা শক্লদুনা লাকই। মখোয়শিং অসিগী নাৎকী ওইজবা মফম অমদি চাওনা কন্দুনা লৈখ্রে । মখা তারকপদা ঈশৈ মখল খর,ফৌসু ইশৈ, মৈরিং ঈশৈ, নাওশুম ঈশৈ, থাবল ঈশৈ, খুল্লং ঈশৈ, খুনুং ঈশৈ, হায়দুনা ঈশৈ মখল খরসু তুংইল্লকই। হায়রিবা ঈশৈশিং অসিগী মতুং তারকপদা মোইরাং কংলৈরোল ঈশৈ, মোইরাংশাই ঈশৈ অমদি খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈ হায়রিবশিং অসি লাকই। ঈশৈশিং অসিগা শাগোন্ননা লাইনীং লম্বীগা মরি লৈননা সনামহী লাইনীংগী ওইবা মৈতৈ ঈশৈ অমদি হিন্দুগী ওইবা বাসক ঈশৈ অমদি সংকির্ত্তণ ঈশৈশিং অসিসু কন্না শক্লরকই। সংকির্ত্তণ ঈশৈদি নাহুৎ-নারেং, লুহোংবা, লান্ন-থৌরম, শোরাৎ ফিরোই খক্তদা শকপা ঈশৈনি। নুংঙাইনা তানীংবা মতমদা তাবা য়াবা ওইদে । থৌরম অমদা ময়াম নুংঙাইনা তামিন্নবা য়াবা অমা ওইনা কৌনরম্বসি ঙল্লিঙৈদা বাসক ঈশৈ অসি অমনি। বাসক অসি চাকচা হৈজান্নবা,য়ূম শঙ্গাবা,নাহুৎ নারেং, ইপাল থৌরম ফাওবদা কৌরগা শকহন্নরম্মী। বাসক ঈশৈ লোইরকপদা মোইরাংশাই ঈশৈ মতেক অমা হাপ্লগা শকপীয়ু হায়নৈ । বাসক ঈশৈ খূদিংদা হায়বা নত্তে। বাসক ঈশৈ শকপা খূদিংমক্না মোইরাংশাই ঈশৈসু শক্লরক্তে । মোইরাংশাই হায়বসি মোইরাং মাইকৈশোমদগী শক্লরকই। মরুওইনা মোইরাংশাই ঈশৈ হায়রগা শকহন্নরকখিবদি ইমা মোইরাং জাতিনি। মহাক্না বাসকপু শক্লগদি মোইরাংশাই ঈশৈদি শোয়দনা অরোয়বদা শক্লে। মোইরাংশাই ঈশৈগী মপুং ওইবদি- মোইরাং শাইওনগী ৰারী পরিংনি। মোইরাং শাইওন তরেৎ লৈ হায়বসি ময়াম্না য়ানৈ লাইরিক ওইনসু পুথোকখ্রে । মোইরাংশাইওন লমদমসিগী অমত্তা ঙাইরবা পাক চাউখ্রবা খোরিরোলগী পূক্কে ওইরে। মোইরাং শাইওনগী ৰারীবু মোইরাং কংলৈরোন হায়নসু খঙনরি।

মোইরাং হায়বা লমদমসি, লৈমা নিংথৌ পানখিবা লৈপাক অমনি । নিংথৌরোল কয়া পানখি, ইৰাং পুরিকলাই ঙাঙনিংশিংদগী হৌরগা পুরিক্লাই মোইরাংথেম রমানন্দ (১৯২৭) ফাওবগী ওইনা নিংথৌরোল য়াঙ্খোমাপলগী মিং ফংলি। মখা তারকপসু নিংথৌশিং লৈরি। মফম অসিদা রেকোর্দ ফংদবনা মমিং-মথা য়াওনা পঞ্জবা ঙমদ্রে। মোইরাংগী ৰারীদি হেঞ্জুনহা-থোংনাং লাইরৌরেম্বীদগী হৌরগা কদেং থাংজাহনবা- তোনু লাইজিংলেম্বী ফাওবগী শাইওন ৰারী লৈজৈ। চিনবুংদা লীনরম্বদগী, পেনা ঈশৈ ওইনা মোইরাং কংলৈরোন ওইনা শক্লরম্বদগী লাইরিক ওইনসু ফংলি। মোইরাং শাইওনগী য়ামখ্রবা অমদি নুংশিখ্রবা ৰারী কয়া শাইওন ৰারীশিং অসিদা পেনা অশৈবশিংনা শৈথাদুনা শকপগী লোইবা নাইদনা লাকই। শাইওন ৰারীশিং অসিগী মনুংদা খম্বা-থোইবীগী ৰারী অসিনা খর হেন্না মীপূম খূদিংনা তানীংনা অমদি শক্লদুনসু লাক্লি। মোইরাং কংলৈরোল ঈশৈবু খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈ শৈশক হায়না খঙনদুনা লৈকাই খুদিং শক্লরকখি।

ৰাফম অমনা, ওঝা থাঙ্গা মঙ্গোলজাও অমদি ৰাংঙুগী ওঝানা মোইরাং কংলৈরোল শকপদা মোইরাংশাই হায়না খঙনখিদে। মোইরাং কংলৈরোল ঈশৈ অসি হায়রগা খঙনখি। মোইরাং কংলৈরোলগী ৰারী অসি ঈশৈ ওইনা নুংঙাইবা মতেক খরা লৌখৎলগা বাসক ঈশৈগী অরোয়বদা হাপ্লগা মীয়াম্গী অপাম্বা মতুংইন্না শকলকখি। মোইরাং শাইওনগী ঈশৈবু শম্না মোইরাংশাই হায়নরকখি হায়বসি অখং-অহৈ ওঝাশিংনা তাকপি । মথক্তা পঞ্জখিবা মনোহরশাই হায়বা ঈশৈ অসিগা মোইরাং শাই ঈশৈ অনী অসি চাউনা খেন্নে । মোইরাং কংলৈরোলগী শৈশকশিংদি পেনা ঈশৈদগী লৌরকপনি, শেমখিবনি মরম অসিনা মোইরাং ইমা জাতিনা শকখিবা মোইরাংশাই হায়বসিসু পেনা ঈশৈদগী ওইফম,মরি লৈনফম থোকই অমদি ঈশৈ অসি মোইরাং শাইওন ঈশৈ হায়বদগী থংথখিবনি হায়বসি ময়েক শেংঙি ।

লমদম অসিদা বাসক ঈশৈ হায়বসি ইচে-ইচনশিংনা পাম্না তম্নদুনা শক্লরকই। মশক নাইবা লমদম অসিগী বাসক শৈশকপী ইমা ইবেন কয়া লৈরমখি। নুপী বাসক শক্লকপশিংগী মনুংদা খরদং পনবা তারবদি -য়াইস্কুল গম্ভিনি,লাংঙথেন থোইনু, মোইরাং জাতি, লোইতাম ইবেতোম্বী অসিনচিংবশিং অসি লৈপাক্না খঙবীখিবা ঙাক্তনি। অতে কয়া অমসু লৈখি। মীরোল মীরোলগী শৈশকপী লৈপাক্না খঙনরকপা কয়ানি। বাসক ঈশৈ শক্লিবী নুপী কাঙলুপ মশীং ফনা য়াম্না লৈরম্মী। থোইদোক্না মণিপুরগী তম্পাক্কী লমদম অসিদি মখল মথেল ওইরকই। ঙল্লিঙৈদা বাসক শক্লম্বদগী কাইনথংদা সংকির্ত্তণ শকখিবা, পেনা শকখিবা,খোংজোম পর্ব্ব অমদি মৈতৈগী লাইনীং লাইশোনগী ঈশৈ শকখিবসু য়াম্না য়াওনখি । বাসক ঈশৈগী শৈশক্তা মোইরাং শাইগী শৈশক য়াওদে অনী অসিসু অমুক তোঙাল্লি । মাগী মাগী শৈশক ৰারীসু তোঙাল্লি। ইমা মোইরাং জাতিনা শকখিবা মোইরাংশাইদা মমিং হেন্না চৎলিবসি কদায়ৰাইদনো? উহৌবা মীওইশিংদি ইমাগী মোরাংশাই শৈশক্কী ফজবা খঙনবীরমগনি। জাতিগী মোইরাং শাই ঈশৈদি অতৈগা মান্নদে। জতিগী মোইরাইশাই ময়াম্না শোন্নবদি মহাক্কী জগোয় খুৎথেক্তনি। মহাক্কী জগোয় শাবগী মওং, খুৎথেক-শাথেক পুমতোন তোঙল্লি । শৰাং লাইগী লাইমাংদা মচা ইবেন্মা থোইবীনা জগোয় শাখি হায়রিবদু মোইরাং জাতিনা শারিবা জগোয়গী খুৎথেক অসি ওইবা তাই অসিফাওবা হায়নখি । হৌজিক মোইরাংশাই ঈশৈ কনানা শক্লিবগে হংবা তারবদি খুম্বা লুরগনি। ফোক ঈশৈ শকপা নহারোল নুপা নুপী য়াম্না থোক্লরক্লি অদুবু মোইরাংশাই ঈশৈদি মাঙখিবগুম তৌরি। কুম্বী ইনাকখুনবীনা মহাক্কী ঈশৈ কাঙলুপ লীংখৎচদুনা মোইরাং কংলৈরোল ঈশৈ হায়দুনা মোইরাং পর্ব্ব, মোইরাংশাই ঈশৈ মখল অসি য়োখৎতুনা থল্লিবসি নত্তনা অতে লৈরকত্রে । করম্বা পাম্বে শীজিন্নরগা ঈশৈ শৈশক অসি কনগদগে হায়বসি মোইরাংগী য়াগৈরেলগুম্বা কাঙলুপ অমনা অথুবদা ঙাক-শেন্নহৌদ্রগদি উনা উনা, তানা তানা ঐখোয়গী ইরক্তগী মাঙখ্রগনি। ●

**–মাখোনমনি মোংসাবা**

## ৰারী ককনাউ

# হাইগৎলাং

তোম্বা চহী ২০মুক শুরবা মমা মপানা মথন্তা পোকপা মচানি। মৈখেৎ মরূনি, সিঙ্গল পিসনি। মমা মপানা শোয়হন্নীংদদুনা নীংথিজনা য়োক্লকই। মচাগী মনীং থুংনবা হোৎনবদা, লৈয়ু হায়বদা লৈবী, চাগে হায়বদা পীজৈ। মনীং তম্না হাই হুম্না ইমুংদুদা পাল্লি তোম্বা।

মমা মপাদা মানা ঙাঙবা শকপা ৰাসি কনাগুম্বা ইখুনাইসিবু নুংশিজবা কনাগুম্বনগকা তারবদি কপনীংবা অমা য়াওবজাৎনি। ৰা ঙাঙবদা য়াম্না ঙম্মী। মমা মপাদা ওনখৎতুনা মানা শাওজিল্লি, মানা থোকপা ঙাঙশিল্লি। নুংশিজবা মচানা অদুম্না ওনখৎতুনা ঙাঙ শকপদু মমা মপানদি শাওবদি লায়রদনা নুংশিবা ইশৈগুম তাদুনা লৈথোকই। শাওদ-শাওরগনা, "শাওগনুনে ইবুংঙো' হায়দুনা থেন্মী।

নহান নোংমদি তোম্বা অয়ূক পুং ৬কা তারকপা অদুদা মাগী হন্দক্তা মপানা লৈবীবা মমল অতাঙবা বাইকতু মনীং ইশুম শুমখৈ থৌরগা মমাদগী লুপা ৫০০ পুরগা চৎখিবনি। মমানা কদাইদা চৎকদবনো হংবদসু থবক অমা লৈ হায়রম্মগা অকূপ্পা মরোল হায়রমদনা চৎখিবনি। মমাসু মচানুপানা বাইক তিংখৎতনা ঙংখৎলগা থোঙ্গাল্লোমদা থৌদোকখিবদু মমিৎনা হেক উরিখৈ য়েংদুনা লৈহৌই। পুং ১০ মুক্না তারকপগী অদুদা তোম্বা মমায় মমিৎতু ইপোম পোমখৈ হল্লকই। মাগী গাড়ীদু খুঙং অমা চাদনা ঙংলগা খামখি। ইমুংদা চাক থোংলিবা মমানা কৈদৌরবনো হায়দুনা মপানলোমদা চেন্থোরকখি। টোইলেট মনুংদা নম্বর টু তৌদুনা ফম্মিবা মপাসু থুরেখৈ লোইশিল্লগা চেন্থোরকই।

তোম্বা বাইকতু খাল্লম্লগা ৰা অমত্তা হায়দনা মাগী কাদা চঙশিল্লগা ফমুংদা লোংনা হিপথখি। মমানা তান্নরক্তুনা মচাদা হংলৈ,

"ইমাগী ইবুংঙো কৈদৌরে, কৈনো নঙনা তৌরিসিবো?"

তোম্বা মমানা হংলকপদা মমায়দু ফক্লাংলোমদা ওনশিন্দুনা চেপশিনখি। মমাসু মচাগী ফমুং মচিদা নপ্তুনা ফমথরগা মচাগী মশা পায়দুনা হংলি। তাঞ্জাদুদা মপাসু খুদৈদু নামৈ হাপ হাপ্তুনা চঙলক্লগা ফম্মাংদা লেপলৈ।

"সে হায়য়ো ইমাদা, কৈদৌরগে হায়বা?"

"কৈদৌরে হায়নো?"

"খঙদে গাড়ী ঙংলগা থৌরক্লগা সুমাইনা তৌরিসিনি" মমানা মপাদা ওনশিন্দুনা খুন্মী। অমুক মচাদা লৈশিন্দুনা মখা তারি।

"অদুমাইনা তৌনু, ইমা নুংঙাইতে, ইচাবু নশা ঙমদবরা? নৎত্রগা কৈদৌবনো, সে হায়য়ো, নমান্নবশিংগা খৎনরকপরা হায়বা?"

"খৎনদে চো আদা"

মপাসু খুয়া ওইরপ্না ফমথরক্লে।

মচাদা হংই। "হায়য়ু হায়য়ু কৈদৌরে, কদাইদনো নঙনা চৎলুরিদো?"

মমা মপা অনী চঙদুনা হংজিল্লকপদুদা তোম্বদু কপথোরক্লে।

"ঙসিদি ঐ থৰায় নুংঙাইতে"

"কৈদৌরগে হায়বনেবা অদুবো? মমানা মখা তাই। তোম্বা মতমসিদা মমায় লৈথোরক্লে। মমা মপা অনীনা মচানা চেপথোরকপদু উবদা ইঙক ঙক্লরে। মরমদি তোম্বগী নখাংদু শাথীনা পোম্মে, নাহি তাখিবগী মনাতোন শুমাং অমদি মচিন চিনবান মথক্তা ঈ অকংবসু খরা তৈবা উরে। ইপা পাখৎলবা মমা মপানা হংলি,

"ইস সিদি কৈদৌরে? হায়য়ু ইমাদা কনাগা কৈদৌনরক্লে?"

"মমা মপাবু মীনা থীনা ঙাঙহনবা মচা হায়দু ঐনি। ঐসে হিংবগী কান্নদ্রে। মসি পুম্নমকসি ইমাগা ইপাগনা থোকহনবনি। ঐগী থোইনা ইরালদি লৈতবনি, ঙসি ঐনা চারিবা চৈসে ইমা ইপানা চাহনবনি?"

"হৈস! কৈনোনে লাকপগা ঐখোয়দা ইরাল থংজিল্লরিসিবো? কৈদৌরগে হায়দু শেংনা হায়য়ুনে?"

"ঐ ঙসিদি খঙলে, ঐনা হায়বা পুম্নমক, ঐনা তৌবা খুদিংমক ইমাগা ইপাগনা ঐবু নাও চাওহন্দুনা চুমহনবা মালহল্লে। ঐদি য়ূমদা, ইমুংদা ঙাঙনবা ৰাঙাঙ শঙাংদু মীঙোন্দা ঙাঙলুবনি, অদুগীনি ঐনা ঙসি চৈ চারিসে"

"হা কমাইনা, কনানা ফূরক্লিবা?"

"অহল অমনা খুনমনা মায়সিদা শেৎচিল্লকপনি"

"করিগী?"

"ঐনা শক তাখৎলুবগী, অহলদুদা নঙ মা শীজিন্নদুনা অফাও শারুবগী?"

"কমাইননো হায়য়ুনে?"

"ঐনা গুলি অনী লংশিনখিবদু পোকখায়রকপগী মনীল কারকপা তাঞ্জাদুদা ইশাসি তরং চৎলগা গাড়ী থৌরগা লাকপদা মাঙদা অহল অমা থোমজিনগে তৌরুরে। অদুদা অহলদুনা "হায় হায়" হায়না লাউরকপদু ঐনা অফাও শাদুনা তিংখৎতনা "হৈৎ" হায়না লাওশিল্লুরে। অদুদা অহলদুনা "হৈ কৈনো নঙনা হায়রিদো?" হায়রকপদা ঐনা গাড়ী খাল্লগা অহলদুগী মনাক্তা চঙশিল্লগা ধপ তৌরুবনি।"

"অদুদগী কৈদৌরবা?" মপানা হংলকই।

"অদুদগী অহলদুনা করিগীনো নঙনা ঐঙোন্দা গাড়ীনা থোমগে তৌরিদো? মায় মায় ওনশিন্নদুনা লাকপবু নঙনা অতম্ননা ঐঙোন্দা থোমগে হায়না থৌজিল্লকপদুদা শোয়বা তারে হায়দুনা ঐনা "হায় হায়" হায়রুবনি সিনি। অদুদা ঐনা "নঙ হোর্ন খোংবা তাদ্রা?" হায়না অফাও শাদনা হায়রুবা অদুদা মানা "নঙগুম্বা অঙাং নঙনা চহী ৬৬ হেল্লবা ঐগুম্বা অমদা "নঙ" হায়না অদুক য়াম্না উশিত্তনা হায়রিদু করিগীনো" করিগীনো হায়না হায়রকপদা ঐনা, "নঙ ঐনা হায়সি তাও" হায়না অমুক লাউশিল্লুরে" মনাক্তা লৈরম্বশিংনা চঙশিল্লক্তুনা ঐবু থীনা চৈরে। অদুকয়াম্না নঙনা উশিৎত্রিদু করিগীনো হায়না ঐঙোন্দা ওমশিল্লক্লে। অদু ফাওবদা অহলদু ঐনা ঐগী ইমুংদা ঙাঙনবা অদুমাইনা হায়রুবদা ময়ামসু অহলদুসু লোইনা শাওরে। অদুগা অহলদুনা নমা নপানা ৰারক্তব্রা হায়দুনা ঐগী মায়সিদা খুনমদুনা শেৎচিল্লকখিবনি। মসি পূম্নমকসি ইমাগা পাবগনা ঐনা তৌরিঙৈ, ঙাঙলিঙৈ য়াবদগী থোক্লি নৎত্রা?"

মমা মপা অনীদু মুন্না য়েংনৈ। ৰা অমত্তা হায়নদে। মথম্মোয় মথম্মোয়দা মখোয়গী অরানবদু মশক খঙলকপগুম তৌখি। মচাগী মমায়দা মমাদুনা নাল্লগা, "ইমা লাল্লে, ইচাবু নুংশিমনবদগী ইচানা হায়বতা য়ারুবদগী ঙসি নঙনা তৌরু তৌরুবা খুদিংমক হাইগৎ লাংদা থুরবগুম ইচাসু নমা নপা ঐখোয়সু লাংদুদা চপ্লে"

"চুম্মী, ইচানা হায়বা, ঐখোয়গীসু অরানবা কয়া লৈ। নঙবু ফূরক্লিবা অহল অদু তশেংনা মনা পীবা য়াই, মমা মপা ঐখোয়দা নত্তনা ইচাবু ৰাখল তাহনবীবগীদমক। মতুংদা ফত্তবা থবক, ফজদবা থৌগল্লোন য়াওদবা ৰা হায়বা য়াদ্রেকো"।

**-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**